# এনই দা মৈগী ৱানিঙাই লৈতে
# মণিপুরদা মৈ পুথোক্নবা
# লেম্না টেক্নোলোজি পীগনি

*-নিতিন গাদকারী*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ঃ*** নোংমদা পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৪/৫ দগী হেন্না মৈ মপুং ফানা পীবা ঙমদ্রবা অৱাং নোংপোক ভারত্তা মৈগী ৱানিংঙাই ওইদ্রে। মরুওইনা সরকার অমদি দিপার্টমেন্টনা থৌশিল-থৌদা হৈতবদগী মৈগী অৱাবা লৈরিবা মণিপুরদা মৈ পুথোক্তুনা মীয়ামদা পুং ২৪ মৈ পীনবা পুর্টি গ্রুপ ওফ ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোক্লিবা মৈগী টেক্নোলোজিশিং অসি লেম্না পীগনি হায়না বিজেপিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন গাদকারীনা হায়খ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দগী ২৩ ফাওবা অৱাং-নোংপোক ভারতকী অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুরগী পাউমী কাংবু অমনা মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা পুর্টি গ্রুপ ওফ ইন্দষ্ট্রিজনা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনবগা মরী লৈননা নেসনেল প্রসিদেন্ট অসিগী নাগপুরগী ৱাদা মহলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়খিবদা অৱাং-নোংপোকসি রিসোর্স মরাং কায়না লৈবা লমদম অমনি। মসিগুম্বা লমদম অসিদা মৈ পুথোকপসি থোয়না লুরোই খল্লি। মরমদি হৌজিক মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা পুর্টি গ্রুপনা পায়খৎলিবশিং অসিনা শাক্সিনি।

বিজেপিগী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, মহাক্না রাজনিতিগী খেন্নবা থমদনা রিছোর্স মরাং কায়না ফংলিবা অৱাং-নোংপোক ভারতকী মণিপুরদা পুর্টি গ্রুপনা মৈ পুথোক্লিবসিগী টেক্নোলোজি লেম্না পীগনি। দরকার ওইরবদি অতৈ মতেংসু পাংগনি। মসিদা থৱায় য়াওবা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা দরকার ওই। চু পাম্বী, চু-মনা, লশিং পাম্বী অমদি ৱাইনচিংবদগী মৈ পুথোক্লিবসিগী মথক্তা সোলর ইনর্জিগী টেক্নো ালোজিসু লেম্না পীগনি। কনাগুম্বনা টেক্নোলোজি অসিবু পাম্বীরবদি পাউ পাবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অসিগী মাংওইননা পাউমী কাংবু অদুনা নাগপুর দিষ্ট্রিক্ট বেলাদা পায়খৎলিবা পুর্টি পৱার এন্দ সুগর লিমিটেদতা পুথোক্লিবা পৱার, সুগর, অলকোহোল, ইথানোল, বাইও দিজল, বাইও কম্পোজিটিং অমদি ফার্টিলাইজরশিং য়েংশিনখি। মখা তানা ৱার্ধা দিষ্ট্রিক্টকী জাম্পীদা পায়খৎলিবা মহাত্মা সুগর এন্দ পৱার লিমিটেদ, বেহলিং কোট্টন ষ্টিক ওফ বাই ফ্যুয়েল, তামাস ৱাদা দা পায়খৎলিবা ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট ওফ পুর্টি গ্রুপ, ভান্দারা দিষ্ট্রিক্টকী দেভাহাদাগী ৱাইনভাঙ্গ্য সুগর এন্দ পৱার লিমিটেদ, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী গাদেগাওদা পাইখৎলিবা বম্বু প্রোজেক্ট, চান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী কোলারিদা লৈবা য়াশ এগ্রো ইনর্জি লিমিটেদ, নাগপুরগী সগ্রিটি মন্দির, আর এস এস বিল্ডিং, পুর্টি সুপর বজার আর এস এস হেদ ক্বাটরনচিংবা মফমশিং য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ত্রাইবেলনা নম্না তবা বেলাদা চুদগী চীনী, অলকোহোল, ইথনোল, বাইও-দিজল শুংখি। পোৎশিং অসি শুংখিবগী চুগুম (চুবাং) শিং অদু অমুক মৈ থাদুনা মৈ মেগাৱাট ২৫ পুথোক্তুনা মৈ মেগাৱাট ২০ লোম পৱার গ্রিদতা য়োহ্নোক্লি। অদুগা মৈ শুংখিবগী অরেম্বা চুগী উৎশিং অদুনা বাইও কম্পোজিটিং অমদি ফর্টিলাইজর শুংবগী মথক্তা য়ুম শানবগী চেক শুংহৌরি। মখা তানা কোলারি নচিংবা মফমশিংদসু, য়াস এগ্রো ইনর্জি লিমিটেদনা ৱাই মৈ থাদুনা মৈ মেগাৱাট ৮ পুথোক্তুনা মৈ মেগাৱাট অমা শীজিন্নরগা অরেম্বা মৈ মেগাৱাট ৭ পৱার গ্রিদতা য়োলহৌরি। হায়রিবা থৌরাং অসি লম একর ৪০/৫০ দগী পুথোকপা ৱাই, চরু নচিংবদগী মৈ মেগাৱাট ১ পুথোকপা ঙমদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমী লিশিং কয়াদা হকথেংননা অমদি নাকোইনা থবক পীদুনা হীংহনবা ঙম্মী।

থৌরাংশিং অসিবু হকথেংননা উহল্লবা মতুংদা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিটিন গাদকারিনা পুর্টি গ্রুপনা পায়খৎলিবা মখল মথেলগী থৌরাংশিং অসি অৱাং নোংপোক ভারতকী মণিপুরদা মপুং ফানা পায়খৎপা য়াগনি। রাজনিতিগী ৱাফম নত্তনা মণিপুরদা মৈ ফিভম ফগৎহনবদা নত্তনা টুরিজম, স্পোর্টস, আর্ট এন্দ কলচরনচিংবা মপুংফানা চাওখৎহনবা হায়বসি মহাক্না মশা অমদি বিজেপিগী অপাম্বনি হায়রি।